# মী ৭ হিংনা মৈ থাখিবা মীওইদুগী মর্সি প্লি প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা রিজেক্ট তৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জুন ৩ ঃ*

ইরোই হুরানবগী কেস অমগী মতাংদা অঙাং ৫ য়াওনা ইমুং অমগী মীওই ৭ হিংনা–হিংনা মৈ থাখিবা শিবগী চৈরাক ফংগদবা কনভিক অমনা থারকপা মর্সি পেটিসন প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

বিহারগী বৈসালি দিষ্ট্রিক্টকী রাঘোপুর ব্লোক্তা লৈবা জগৎ রাই কৌবা মীওই অসিনা কুমজা ২০০৬ তা বিজেন্দ্র মহাতো অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওই তরুকপু তুজুংনিঙাই ওইবা মীহাৎতা হাৎখিবনি।

বিজেন্দ্র মহাতোনা মহাক্কী ইরোই অদু হুরানখ্রে অমসুং হুরানবা মীওইশিং অদু জগৎ রাই, ৱাজির রাই অমসুং অজয় রাই নি হায়না ২০০৫ গী সেপ্টেম্বরদা কেস অমা থাঙ্গৎলকখি। কনভিকশিং অদুনা কেস অদু হন্দোকউ হায়না মহাতোদা কন্না হায়রকখি। অদুবু মদু মহাক্না তৌখিদে। মদুদগী জগৎ রাই না মহাতোগী য়ুম মৈ থাখি। য়ুম মৈ থাবা অদুদা মহাতোগী নুপী অমসুং অঙাং মঙা মৈনা চাক্তুনা শিখি। বিজেন্দ্র মহাতোসু য়াম্না শাথিনা মৈ চাকখি অমসুং থা খরগী তুংদা মৈনা চাকপা অদুনা মরম ওইদুনা শিখি।

কেস অসিদা মফমদুগী কোর্টনা ক্রাইম অদুগীদমক এক্যুজশিং অদুবু কনভিক্সন পীরবা অমসুং হায়কোর্টনা মখোয়বু শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই পীরবা তুংদা সুপ্রিম কোর্টনসু হায়কোর্টনা পীরক্লিবা শিবগী চৈরাক অদুবু ২০১৩ দা শৌগৎখি। অদুদগী জগৎ রাই না শিবগী চৈরাক অসিদগী ঙাকপীয়ু হায়না প্রসিদেন্টকী সেক্রেটরীয়েটতা হায়জরকখিবনি।

প্রসিদেন্টকী ওফিসনা হোম মিনিষ্ট্রিগী মোত কৌখি। মিনিষ্ট্রি অসিনা হৌখিবা চহীগী জুলাই ২ দা মখোয়গী রিকোমেন্দেসন পীরকখি। মসি পেটিসন অদু প্রসিদেন্টনা ২০১৮ গী এপ্রিল ২৩ দা রিজেক্ট তৌখ্রে হায়না রাষ্ট্রপটি ভবনগী চেরোল অমনা হায়রি।

হৌখিবা চহীগী জুলাই থাদা রামনাথ কোবিন্দনা প্রসিদেন্ট ওইরকখ্রবা তুংদা মসি মহাক্না ৱারেপ লৌবা অহানবা মর্সি পেটিসননি। প্রসিদেন্টকী সেক্রেটরীয়েটতা হৌজিক অতোপ্পা মর্সি পেটিসন অমত্তা পন্দুনা লৈত্রে। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৭২ গী মখাদা প্রসিদেন্টনা শিবগী চৈরাক ফংলবা কনভিক অমবু ঙাকপীনবা চৈরাক অদুদগী কোকথোকহন্নবা নৎত্রগা চৈরাক অদু তেনজিনহন্নবগী শক্তি লৈ হায়রি।

# কামোব মিলিটরি এটেক হেলিকোপ্টর ২০০ লৈনবা দিল ওক্টোবরদা ইন্দিয়াগা রসিয়াগা সহি তৌনরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ৩ ঃ*

রসিয়ান হেলিকোপ্টরস অমসুং ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টনা চলাইবা হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদকা অনীগী জোইন্ট ভেঞ্চর অদুগী খূত্থাংদা কামোব কে এ–২২৬ টি এটেক হেলিকোপ্টর ২০০ লৈনবা দোলর মিলিয়ন কয়াগী দিল অমা ওক্টোবর থাদা সহি তৌননবা গভর্ণরনা থৌরাং পূন্নমক লোয়রে।



ওফিসিয়েল লীখুনশিংনা ফোঙদোকপদা মথং থা মরিগী মনুংদা দিল অদু সহি তৌননবা গভর্ণমেন্টনা পান্দম থম্বগা লোয়ননা অচৌবা প্রোজেক্ট অদু অরোয়বা ওইনা লেপ্পনবগীদমক তৌগদবা থবক থৌরম পূন্নমক হৌজিক মপূং ফানা লোয়শিল্লে হায়খি।

প্রোজেক্ট অসিগীদমক ইন্দিয়া অমসুং রসিয়াগী মরক্তা ইন্টর–গভর্ণমেন্টেল এগ্রিমেন্ট অমা ২০১৫ গী দিসেম্বরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মোস্কো খোঙচৎ মনুংদা সহি তৌনখি। হেলিকোপ্টরশিং অদু পূন্না পুথোকমিন্নগদৌরিবা ঐচ এ এল অমসুং রসিয়ান হেলিকোপ্টরসকী মরক্তা জোইন্ট ভেঞ্চর অদু লীংখৎনবা চাওরাকপা এগ্রিমেন্ট অমা ২০১৬ গী ওক্টোবরদা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা য়ানখি।

ইন্দিয়াগী হৌজিক লৈরিবা অরীবা চীতাহ অমসুং চেতক হেলিকোপ্টরশিংগী মহুৎ শিন্দোন্নবা রসিয়াগী হেলিকোপ্টরশিং অদু ইন্দিয়ানা লৈরি।

হৌখিবা থাদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা প্রোজেক্ট অদুগীদমক ইন্দো–রসিয়ান ভেঞ্চর অদুদা রিক্যুষ্ট ফোর প্রোপোজেল নৎত্রগা আর এফ পি অমা পীখি। কে এ–২২৬ টি হেলিকোপ্টরশিং অসি ইঞ্জিন অনী পানবা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা চীংগী লমদমশিংদা থোইদোক হেন্দোক্না থবক তৌবা ঙম্বগীদমক মমিং চৎলি।

হেলিকোপ্টরশিং অসি পুথোক্নবা ফেসিলিটি অদু শানবগীদমক বেঙ্গলুরু মনাক্তা টুমকুরদা মফম অমা খল্লে। হেলিকোপ্টরশিং অসি ইন্দিয়ান এয়ারফোর্স অমসুং আর্মিদা পীগনি। মথং চহী ৩ নৎত্রগা ৪ গী মনুংদা হান্নগী অরীবা হেলিকোপ্টরশিংবু অনৌবা হেন্না ফবা হেলিকোপ্টরশিংনা মহুৎ শিনবা ঙম্মনবা দিল অদু মতম ঙন্না তৌননবা ফোর্স অনীমক অসিনা কন্না তকশিল্লি।

কুমজা ২০১৫ গী এগ্রিমেন্ট মতুং ইন্না কামোব কে এ–২২৬ টি হেলিকোপ্টর ৬০ ফ্লাই–এৱে কন্দিসন্দা ইন্দিয়াদা পীগনি অদুগা ১৪০ না ইন্দিয়াদা শাগনি।

# কার্ফিয়ু থম্লবফাও শিল্লোংদা হিংশা শন্দোরকখ্রে মীওই ৫০০ হেন্না আর্মি কেন্টোনমেন্টদা চঙজদুনা লৈখ্রে

*শিল্লোং, জুন ৩ ঃ*

সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমা শোকহনবতা নত্তনা ইরাং হৌবা মীওই খূৎপু অমনা দুকান অমা, য়ূম অমা মৈ থাদুনা অমসুং য়ামদ্রবদা গারী মঙা থুগাইদুনা অহিং চূপ্পা হিংশাগী থবক চত্থরকপদগী মেঘালয়াগী কোনুং শিল্লোংদা ঙরাং ফাওবা কার্ফিয়ু মখা তানা থমখি অমসুং মীকুপ নাহুম শীংনা শেন্নদুনা লৈনবা আর্মিদা খঙহনখ্রে।

ইরাং অসিগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫০০ অর্মি কেন্টোনমেন্ট অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈখ্রে হায়খি।

ইরাই নুমিত্তা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা চিয়ার লৌখিবা চীফ মিনিষ্টর কোন্রাদ কে সংমানা মীয়াম্বু ইংথনবা অপিল তৌখ্রে।

সিটি অসিগী মফম খরদা হৌখিবা নুমিদাংদা নূংনা থানবগী থৌদোকশিং থোকখি। প্রোটেষ্টরশিংনা মফম অমদা পেট্রোল বোম অমা লংশিনখি অদুবু মীওই অমত্তা অশোক–অপন থোকখিদে। হৌখিবা অহিংদা থৌদোক অনী অদু থোকখ্রবসু পুল্লপকী ওইনা য়েংবদা ফিভম ফগৎলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অসি শগোলশেন নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা মতূংদা শিল্লোংগী থেম লিয়ু মাওলোং এরিয়াদগী মীওই খূৎপু অমনা বস কন্টেক্তর অমা ফুখিবগী মতূংদা পুলিসকা ইরাং হৌবা মীওই খূৎপু অমগগী মরক্তা থোরকখিবনি। থৌদোক অদুদগী কম্যুনিটি অনীগী মরক্তা হিংশা থোরকপদা অঙাং নুপামচা অহুম শোকখি। সিটি অদুগী মফম কয়াদা মখা তানসু হিংশা থোক্লকপদগী শান্তি থম্ননবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং পূং ১০ দগী থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পূং ৫ ফাওবা শিল্লোংদা কার্ফিয়ু থমজিনখি। আর্মিনা ফ্লেগ মার্চশিং চৎখি। তোকঙা শন্দোরকপা থিংনবা মোবাইল ইন্টর্নেট অমসুং এস এম এস সার্ভিসশিং মতম কক্তনা থিংজিনখি। নুমিদাংদা কার্ফিয়ু অদুম্মক লৈখিগনি। হিংশাগী থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা মীওই নিপান ফাখ্রে। নূংনা থারকখিবা প্রোটেষ্টরশিংবু লাকশিন্নবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপখি অমসুং লীচৈ শীজিন্নখি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (সিটি) ষ্টেফেন রিঞ্জা দা উতুপ অমনা কনথরকপদগী শোক্তুনা শিল্লোং সিভিল হোস্পিটালদা লায়কন্নখি হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি। পুলিসমেনশিং য়াওনা মীওই কয়ামরুম হিংশা অদুদা শোকখি হায়রি।

# মৌরিসিস তম্না পাইখিবা সুস্মা স্বরাজগী প্লেন মিনিট ১৪ রোমগী মতম থিবা খঙলুদ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ৩ ঃ*

মৌরিসিসতা ফোরেন মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ পুখিবা ইন্দিয়া এয়ারফোর্স ফ্লাইট অমা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা মিনিট ১৪ রোমগী মতম রাদরনা থিবা খঙলুদ্রে অমসুং মদুদা ঈথৎ লৈবাক অদুগী ওথোরিটিজ অৱাবা অমা ওইনখ্রে।

প্লেন অদু থুনমক শোয়–ঙামদনা লেন্দিং তৌরকখি। অদুবু মদু মৌরিসিসকী এয়ার ত্রাফিক কন্ত্রোলনা পেনিক বত্তন অদু নমদ্রিঙৈগী মমাঙদদি নত্তে হায়রি।

চেরোল অমদা এয়ারপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা হায়খি, ফ্লাইট আই এফ সি–৩১ না মৌরিটিয়স এয়ারস্পেস চঙশিনখ্রবা মতূংদা মৌরিসিস এয়ার ত্রাফিক কন্ত্রোলগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদে। মালদিবসকী মথক্তা পাইরিবা পূং ১৬.৪৪ দা মালে এয়ার ত্রাফিক কন্ত্রোলগা পাউ ফাওনখি। অদুবু মৌরিসিসকী অতিয়াদা পাইশিল্লক্লবা মতমদদি মৌরিসিস এয়ারপোর্ট ওথোরিটিজকা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি হায়না এয়ারপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা হায়খি।

অদুদগীদি মৌরিসিস ওথোরিটিজনা এলাম অমা তৌখি। ইন্টর্নেস্নেল এভিয়েসন রুলসকী মতূং ইন্না অনসার্টেন্টি ফেজ (ইনসরফা) না ইমর্জেন্সি ফেজ অহুমগী মনুংদা অহানবনি। মসিনা এয়ারক্রাফ্ট অমা নৎত্রগা মদুদা তোংলিবশিংগী শোয়–ঙামদবগী ফিভম তম্বা ঙমদে হায়বা তাকই।

ভি আই পি অমা তোংলিবা মরম্না মখোয়না রুলসতা পীরিবা মিনিট ৩০ মতম তৌখিদে হায়না এয়ারফোর্স ওথোরিটিনা হায়খি।

ফ্লাইট অদুনা গ্রাউন্দ কন্ত্রোলদা কন্টেক তৌরকখি অমসুং পূং ১৬.৫৪ দা কোন্না মিনিট ১৪ গী মতূংদা লেন্দিং তৌরকখি। মৌরিসিস এয়ার ত্রাফিক কন্ত্রোলদা কন্টেক তৌরকপদা মতম থেংথরিবদু করিগীনো হায়বদু ওথোরিটিজনা মরিক চুম্না ফোঙদোকখিদে।

ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ব্রিকস (ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চিনা অমসুং সাউথ অফ্রিকা) ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ অফ্রিকা তম্না লাকপগী লম্বীদা মৌরিসিসতা লাকখিবনি।

ইন্দিয়া, ব্রাজিল, সাউথ অফ্রিকা লৈবাক অহুমসিগী মরক্তা মালেমগী অচৌবা হীরমশিংদা হেন্না তেংবাংননবা থবক তৌরিবা অতোপ্পা গ্রুপ আই বি এস এ (ইন্দিয়া, ব্রাজিল, সাউথ অফ্রিকা) গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমসু সুস্মা স্বরাজনা চিয়ার লৌগনি।

মালেদা ঙসি ঙহাক পনবদুদা সুস্মা স্বরাজনা মৌরিসিস প্রাইম মিনিষ্টর প্রবিন্দ কুমার জুগনাউথ অমসুং মহাক্না ফম মান্নবা সীটনহ লুটচমীনারাইদুদসু উন্নখি। উন্নখিবা অদু ইন্দিয়া অমসুং মৌরিসিসকী মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না কনখৎহন্নবগী ৱাফমনা মরু ওইবনি হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় রবিস কুমারনা হায়খি।

# এসেমব্লি এটেক তৌনবনি চিংনবা অরোনবা থৌরাং অমগী মতাংদা ইন্দোনেসিয়া পুলিসনা ৩ ফারে

*জাকার্টা, জুন ৩ ঃ*

ইন্দোনেসিয়ান এন্টি–টেরোরিজম পুলিসনা সুমাট্রা ঈথৎতা লৈবা পেকানবারুদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি কেম্পস অমদা রেইদ চত্থদুনা হান্নগী মহৈরোই অহুম ফাগৎখ্রে অমসুং ক্রুদ বোমশিংগা লোয়ননা অতৈ বোম শানবা মচাক কয়ামরুমসু ফারে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।



ফারবা মীওইশিং অদু রিয়াও প্রোভিন্সকী কোনুং পেকানবারুদা মফমদুগী পার্লিয়ামেন্টতা এটেক তৌনবা থৌরাং তৌবা মীওইশিংনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা নেস্নেল পুলিসকী ৱাঙাংলোয় ৱাসিষ্টোনা হায়খি।

য়ুনিভর্সিটি অদুগী ফেকল্টি অমদা ঙরাং চত্থখিবা রেইদ অমদা পুলিসনা পাইপ বোম অমা, য়ূমদা শাবা গ্রেনেদ অমা লোয়ননা মার্দর ওফ সতান হায়না খঙনবা য়ূমদা এক্সপ্রোসিফ টিঅয়াসেতোন ট্রিপেরোক্সাইদ (টি এ টি পি) ফংখি হায়না মহাক্না হায়খি।

পুলিসনা এয়ার রাইফল অমা, লিরুং–তেনশিং অমসুং বোমশিং শাবদা শীজিন্নবা য়াবা ফটিলাইজরগুম্বা অতৈ মচাক কয়ামরুমসু ফংঙি হায়খি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা মুস্লিম লৈবাক ওইরিবা অসিদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা রেদিকেলিজম ৱাংখৎলকপদগী ওথোরিটিজনা নুংনাংবা পোক্লিবনি।

হন্দক মতম খরগী মমাঙদা মহৈরোইশিংনা চত্থখিবা সর্ভে কয়ামরুমদা মখোয়না ইস্লামিক ষ্টেট কন্না শৌগৎনিংবা, জিহাদ অমসুং ইন্দোনেসিয়াদা খালিফেট অমা লীংখৎনিংবগী ৱাখল উৎলি।

হৌখিবা চহী ২০ দা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিং লাকশিনবদা চাওনা মায় পাকপা খরা লৈখ্রবগী মতূংদা হৌখিবা চহী খরদা ইস্লামিষ্টশিংগী এটেকশিং অমুক হেনগৎলপগুম তৌই। হৌখিবা থাদা টেকানবারুদা পুলিস হেদ ক্বার্টরসতা ওফিসারশিংদা সমুরাই থাঙশাং শীজিন্নদুনা এটেক তৌনবা হোৎনবা মীওই মরি পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখি। এটেক অদু ইন্দোনেসিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি সুরবয়াদা লৈবা চর্চশিং অসুং পুলিস বিল্ডিং অমদা মিলিটেন্টশিংনা সুসাইদ বোম্বিং কয়ামরুম চত্থরকখিবগী মতূংদনি।

সুরবয়াদা চত্থখিবা এটেকশিং অদুদা সুসাইদ বোম্বরশিং ওইরমগনি চিংনবা ১৩ য়াওনা পূন্না মীওই ৩০ রোম হাৎখ্রে। পুলিসনা ফোঙদোকপদা বোম্বরশিং অদু ইন্দোনেসিয়ান সেম্পিথাইজর চা কয়া লৌশিল্লি হায়রিবা, য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্ট টেরোরিষ্ট লিষ্টতা য়াওরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী ইথিন চঙবা জেমাহ অনসরুট দৌলাহ (জে এ দি) কৌবা অম্ব্রেলা ওর্গনাইজেসন অদুগী সেলশিংদা য়াওবা মীওইশিংনি হায়রি।

# ভেরিফাই তৌবা য়াবা খোঙথাং লৌখৎত্রিমখৈ নোর্থ কোরিয়ানা অৱাবা কোক্লোই ঃ য়ু এস

*সিঙ্গাপোর, জুন ৩ ঃ*

নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম থাদোক্নবা অমুক হন্দোকপা য়াররোইদবা খোঙথাংশিং উৎত্রিবা মখৈ লৈবাক অসিনা সেঙ্কসনশিংগী অৱাবা অমত্তা কোক্লোই হায়না ঙসি য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরী জিম মাট্টিসনা হায়খ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অনীগী মরক্তা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা মীফম অমগী মাঙওইননা সিঙ্গাপোরদা সেক্যুরিটি কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংবদা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরীনা হায়খি, য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা সেঙ্কসনশিং হৌজিক্কী ওইনা ইন্টর্নেস্নেল কম্যুনিটিনা থম্বা হায়বসি মরু ওই।

ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম থাদোক্নবগী ভেরিফাই তৌবা য়াবা অমসুং অমুক হন্না হন্দোকপা য়ারোইদবা খোঙথাংশিং উৎলবা মতম খক্তদা নোর্থ কোরিয়ানা সেঙ্কসনশিংগী অৱাবদুদি কোক্কনি হায়না সাউথ কোরিয়ান অমসুং জপানগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগা উন্নবা অমদা য়ু এস কী দিফেন্স সেক্রেটরীনা হায়খি।

হৌজিক্কী তঙ্কক অসিদা শান্তিগী ফিভম ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক ঐখোয়গী দিফেন্সকী তেংবাংনবা অসি কনখৎহন্নবা অকনবা ফিরেপ লৌগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# চেল্লিবা ট্রেনদগী নাগা নহা ২ মাঙখ্রে বঙ্গালোর হোস্পিটালদা অসামিজ নহা অমা শিনা পুরক্লে

*ন্যু দিল্লি, জুন ৩ ঃ*

অৱাং নোংপোক্তগী নহা অনী চেল্লিবা ট্রেনদগী মাঙখ্রে। অদুগা অতোপ্পা নুপা অমগী অশিবা হকচাং অমা বঙ্গলোর হোস্পিটালদা পুরক্তুনা লৈরে হায়না হেলপিং হেন্দস এন জি ও গী ভলন্টিয়ারশিংনা পীরকপা পাউনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, মীওই অনী মাঙখিবা অদু অমনা এ অসুলি কৌই, নাগালেন্দগী পুদুনামৈ খুন্দগীনি মহাক নাগালেন্দ রিজিমেন্টদা থবক তৌবনি অমসুং রাজস্থানগী জয়পুরদা পোষ্টিংদা লৈবনি। মহাক ঘজিয়াবাদ–নিজামুদ্দিনগী মরক্তা ট্রেন তোংদুনা চৎলিঙৈদা থা অসিগী ১ দগী মাঙখিবনি। মাঙখিবা অতোপ্পা নহা অদুনা মুকুথো থেলু কৌই। কেরলাগী ট্রিবান্দ্রমদগী দিমাপুরদা লাকপগী লম্বীদা কোলকটাদা চেল্লিবা ট্রেনদগী মাঙখিবনি। মহাক কেরলাদা মহৈ তম্বা মহৈরোই অমনি।

এ অসুলিনা মহাক্কী ইমুং মনুংদা টেলিফোন তৌরক্তুনা গুন্দা খরনা মহাক্কী পৈশা অমসু এ টি এম লাক্তুনা পুখ্রে হায়রকখি। মহাক্না টেলিফোন তৌরকখিবদু থা অসিগী ১ গী নুমিদাং পূং ১১.০৯ তাবদনি। মহাক ছুটি লোয়দুনা মাগী পোষ্টিং মফমদা চৎখি অমসুং রাজস্থান্দা লৈরিবা মহাক্কী কেম্প অদুদা মে ৩১ দা য়ৌগদবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা কেম্প অদুদা য়ৌরকখিদ্রে অমসুং মহাক্না টেলিফোন তৌরকখিবা অদুগী মতূংদগী মহাক্কী টেলিফোন্দু স্বইটচ ওফ তৌদুনা লৈখ্রে হায়রি। থৌদোক অদু খুদক্তা থবক লৌখৎপিনবা রেলৱে পুলিসতা পাউ পীরুবদা মীশিংগী রিপোর্টকী চে অমা থাগৎলকউ হায়না মরী মতাশিংদা হায়রকখি হায়রি।

মাঙখিবা অতোপ্পা নাগা নহা অদুনা ময়ূমদা ইকোন কোনবা ওইনা টেলিফোন তৌরকখিবদু মে ৩০ গী অয়ূক পূং ২ তাবদনি। মদুগী মতূংদগী মহাক্কী মরমদা পাউ অমত্তা ফংখিদ্রে অমসুং টেলিফোন্দা কন্টেক তৌবা ঙমখিদ্রে। মহাক্কী মরী মতাশিংদা দিমাপুর রেলৱে ষ্টেসন্দা খুদক্তা মীশীং রিপোর্ট অমা তৌনবা হায়রকখি। হোস্পিটালদা অশিবা ওইনা পুরক্লিবা নহা অদু রাজু মাইদালি কৌবা অসামিজ অমনি। মহাক পুরকপা নুমিৎ ৬ নি রোম শুরে হায়রি।


RST Resonant Tutorials — Imparting Light to Medical Aspirants

# RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants

SL/Bill (upto 12 June)

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical Entrance Exam

NEET(UG)-2019

Class Commence : 21st June, 2018

Last Date of Admission : 19th June, 2018

Special features:

- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.

For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank

Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.


## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 12/04/18
Valid : 09/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**GBD Gas, Lamlong (First come first serve)**
Booking : 18/04/18
Valid : 06/04/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 25/05/18
Sl. No. 15900
Valid : 01/12/17
Stk : 612/19kg 95
Delivery at Heinoupok Godown

**Yairipok Gas Service**
Booking : 28/04/18
Valid : 25/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 30/04/18
Valid : 25/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 23/04/18
Valid : 09/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 14/05/18
Sl. No. 1000
Valid : 03/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**R & H Indane Service**
Booking : 17/04/18
Valid : 27/03/18
Stk : 576
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 04/06/18
Valid : 03/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 08/05/18
Valid : 30/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 23/04/18
Valid : 08/04/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**সনা–সুদোকু –১১৮৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 4 | 5 | 1 | 7 | 8 | 9 | 3 | 2 |
| 3 | 1 | 8 | 9 | 5 | 2 | 7 | 4 | 6 |
| 2 | 9 | 7 | 4 | 3 | 6 | 5 | 8 | 1 |
| 8 | 2 | 9 | 3 | 6 | 5 | 1 | 7 | 4 |
| 5 | 7 | 4 | 8 | 9 | 1 | 2 | 6 | 3 |
| 1 | 6 | 3 | 2 | 4 | 7 | 8 | 5 | 9 |
| 4 | 5 | 2 | 7 | 1 | 3 | 6 | 9 | 8 |
| 9 | 8 | 6 | 5 | 2 | 4 | 3 | 1 | 7 |
| 7 | 3 | 1 | 6 | 8 | 9 | 4 | 2 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1187**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | 1 | 3 | | 6 | |
| | 9 | | | 5 | | | | 3 |
| | 1 | | 8 | | 9 | | | |
| 6 | | | | | 8 | | 3 | 5 |
| | | | 5 | | | 1 | | |
| 4 | | | | 2 | | | | |
| | | | 1 | 9 | | 5 | | |
| | | 9 | 7 | | | | | |
| 8 | | 2 | | | | | 4 | |